# ‘লান খামসে লান খামসে’

**- উশম ধরমেন্দ্র -**

ঙসিদগী চহী ২৭কী মমাঙদা থাংমৈবন্দ লাঙ্গোলদা লন্নাই ইংলিস স্কুল অমদা ওজা ওইরিঙৈগী মতমদু নীংশিংলকই। কাঙলূপ খুদিংমক্কী ওজাশিং মহৈরোয় শুনা পুনবা স্কুলনি। চীংগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোকপা হাৎন-শুনবগী মতমদি লোইখ্রগা মদুগী অৱা মৈশা অমনা অমবু পেন্নদবগী থম্মোয়নুংদা ওম্নরিবা মতমনি। ওজা ওইমিন্নবী চীংমী নিঙোল অমনা মাসু ঐসু ক্লাস ওফ লৈবা ইচিক চিকপা তাঞ্জা অমদা নুংঙাইতনা ৱারী তৌই। কাঙলূপকী ঈরাংদা মখোয়গী খুলদু তুম্না মৈ থাদোকপীখি। চেনবা ঙমহৌদবা অশোনবা অহলশিং য়ূম মৈ চাকপদা য়াওখি। মৈ থাবা হৌরকপগী অহিংদুদা মখোয় থৱায় হিংনবা মফম মরাং খঙদনা চেন্নখি। ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙনদনা জঙ্গলদা অহিংদুমা লেল্লগা নোং ঙাল্লি-ঙাল্লি তৌরকপদা থংনবা মখোয়গী কাঙলূপকী মী য়াম্না তাবা খুল অমদা চেন্দুনা শাইদাংফম লৌনখি। কুইনা চৎলুদ্রবগী তুংদা নোংমা মখোয়গী অহল খরগা লোয়ননা মখোয়গী খুলদা চৎলুই। থারম্বা চমপ্রা পাম্বীশিং অমদি অতৈ উহৈ পাম্বীশিং মপূং মরৈ ফানা মমুল ফানা পাল্লম্মী। মখোয়না লৈজরম্বা য়ূমদুগী অতেক অকায়শিং উরুবদা খঙহৌদনা পি তারকখি। ৱারীদু লীনা লীনা ইনখৎলক্লিবী চীংমী নিঙোল ওজাদুগী মমিৎতগী মপি তারকখি। খোইতক-খোইতক ঙাঙবা মীতৈলোলগী নুংশিবগা মহাক্কী ৱারীগী নুংশিবগা অনীগী অপূনবনা ইশাসি তোঙানবা সংসার অমদা পুদুনা লৈরমখি।

ঙসিদি অমুক ইরমদম মণিপুরসিদা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লরে। মীচম মীয়ামশিংনা পুন্সিদা ঈংনা চিক্লা শান্তি ওইনা লৈবা পাম্মী। অদুবু শান্তি ওইনা হিংজনীংবশিংগী পুন্সি খোঙচৎতা শান্তি থুগাইবা মীওই কয়ানা শান্তিবু শীংনদুনা পল্লোন নাইনা লেপ্লম্মী। পূন্না হিংমিন্নবগী নুংঙাইবা পুন্সিগী মহাউ কাউরকই ঐ ঐগী ফুরুপকীদা খল্লকই। লৈঙাক্লিবা মীহুৎ হুম্ফু মীচম মীয়াম ঐখোয়না খনখিবনি। মখোয়না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং ঐখোয় মীচম মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি। মীহুৎ হুম্ফুগী মকোক চীফ মিনিষ্টর ঐখোয় খ্বাইগী লুচিংবনি হায়বনচিংবা অসি কাউরকই। শীংনগে য়াওনা শীংনরকই আইন অমগী মখাদা লৈবাক সাসন তৌরিবনি। আইনদুগী মখাদনি লৈঙাক্লা মসিদি রিজর্ভ ফোরেষ্ট এরিয়ানি, প্রোটেক্টেদ এরিয়ানি হায়দুনা খূৎ থারকখিবা। মদুসু ত্রাইবেলশিংগী পুন্সিদা শীংনরে হায়দুনা করিসু খঙজদবা মীচম মীয়াম্বু ইমোসননা হুমদুনা ঈরাং হেক্তা শাগৎলি। লৈঙাক্কী লমদা শাজিল্লম্বা চর্চ থুগাইবসু শেংলবা চর্চ থুগাইরে। সেক্যুলরিজমবু শীংনরে হায়দুনা ঈরাং শাগৎলি। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনবীনবা মরী লৈনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিঞ্জবসু ত্রাইবেলশিংগী চাকথুং মৎখিদৌরে, মীতৈ/মৈতৈদি চাওখৎখ্রবা ফুরুপনি সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওফম শুংথোক থোক্তে হায়দুনা ত্রাইবেল মীয়ামগী লুচিংবনি হায়জবা খরনা এন্টি মীতৈ/মৈতৈগী ঈরাং হেক্তা শাগৎলি। মসিবু হৌনরিবরা।

পঞ্জরিবা খরসি কম্যুনেলগী ৱাফম নত্তে অশেংবা ৱাফমদুনি থমজরিবসি।

খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা মীচম মীয়ামদা অতম্নবা টার্গেট তৌরক্লবদি করি ওইগনি। মায়কৈ সলাই খঙদনা মথৱায় হিংনবা চেনবা তাবনি। মদুমক্নি থোক্লিবা, উরিবসি। মতিক চাবা খূৎলায় পায়বা মশেল লানবানবদি মপূং ফাবা লানফম ওইগদবনি। অদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি ঙাকপী শেনবীবা হায়বসি লৈরিবা লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা মথৌনি। লমহেন তুহেনবশিংদা লৈঙাক অমা লৈরি, রুল ওফ লো চৎনবা লৈবাকনি হায়বসি খঙহনবা মথৌ তাই। ইমুং অমগী লমহেনবা অঙাং মতাং মতম চানা ৱারক ৱাতেমহৌদ্রবদি য়াই-য়াই হায়দুনা অসুম নাও চাওদুনা মহাক্লা তৌনীংবতা তৌরকই। মমৈদা মমা-মপা, মথক থোংবশিংদা করি করম্বা থৌগল্লোন চৎকনি কাউরকই। ইমুংদুগী শান্তি থুগাইবা তংদু লৈতানা হিংহন্দবা মীওই হায়বদু ওইরকই। অদুনা লমহেন তুহেনবশিং মতাং চানা ৱারক্কদবনি।

চাক লাম্বগী অৱাবা চাকখাওদা করিমত্তা তাদ্রবা মতমদতা খঙই। মথৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরকপশিংগী অৱাবা ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা, চাবোই চাদবোই মশাদা লোয়নরকপা ফিরোল খরগা মীগী শাইজিন শয়াদা য়ারেক্লিবশিংতনা খঙই। ৱানা য়াম্না ৱানা থবক শুদুনা শেল তুংশিঞ্জদুনা শাজবা য়ূম, য়ূমদুগী মখাদা শারবা কালেনগী নুংশা খাঙজরিবা, নীংথমগী উলেনগী অঙীংবা ঙাকথোকচরিবা, কুমগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শাথুপচরিবা য়ূমদু নুংশি খঙদনা মৈ থাদোকপীখিবা, থমজবা সনা-লুপাশিং লুট তৌবিখিবা, ফৌ-কৈ-চেঙকৈ পূম্নমক উৎ ওলহনবীখিবা পূম্নকসিগী অৱাবা মশাদা পাল্লবশিংতনা খঙগনি। মসি পূম্নমকসিগী মথক্তা কাঙলূপকী ঈরাংদা নুংশি হৈতনা হাৎতোকপীখ্রবা অমসুং য়ূমদা হল্লকখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী ৱারী অৱাবা ৱারী মদুগী অৱাবা ফোঙদোক্লবগী ৱাহৈ লৈরোই। শোক্লিবা, শিরিবা, অৱা অনা নংলিবা অয়াম্বা মীওইদি লৈত-লায়রবা, নোংমগী হাতে-হাতে শুজ-নোমজরগা হিংলিবা মীচম মীয়ামশিংনি।

ইরমদমসিগী চৎনবীনি করিগুম্বা ঈরাং অমা তৌরে, বন্দ তৌরে, ব্লোকেদ তৌরে হায়বগা নোংমগী তঙাইফদনা চঙলিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং চেঙ, হৱাই, আলু, অচাথাও, তিলহৌ, চনমনচিংবগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংবসি। নোংমগী তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা অদুগা কয়াসু খঞ্জিল্লুদবা পোৎলম অমনি অয়ূক্তা শীজিন্নরিবা চা হোটেলগী অতা-মোইদা অসিসু। পূম্নমকসিগী মমল করবারৱালাশিংনা লেপ্লীংবা মমলদা লেপ্পী। কনানসু মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎনরুদে। অহোইনদুম ফংলিঙৈদা হায়দুনা হেন্না হেন্নদুম দরকার ওইরিবশিংদুদগী হেন্না লৈশিন্নৈ। য়েংববু হৈরবদি কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তনি হায়বদুনি। নিংথমথা হৌগৎলকপদা অয়াম্বা মফমদা য়োংচাক চরোংনা মপূং মরৈ ফাদ্রিঙৈদা মরূ তোংবা য়োংচাক মরি মঙা হাইনা হুম্না পুরগা লেম্নরিবা লমদমনি, ঈরাং থোকপা মতমদা চেঙ-হৱাই, থাউ-থুম বেগ বেগ খ্বাইরম্বন্দ বজারদগী হোন্থরগা মাদি শেল পায়রবনি হায়নরিবা, হোন্থরিবা নিপাদুনা মীয়াম মমাঙদা পোংজরিবা লমদমনি। মশাগী ইমুং মনুংগী চান-থক্নবা পোৎলম বেগ বেগ কার্টোন-কার্টোন হোন্থবগা ইরোয়ননা লৈকায় লৈকায়শিংদা হাংনরিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু অৱা অনা তারবা লৈত-লায়রশিংদুগী মফমদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খরদং ওইরবসু তেংবাঙবীরবদি লায়রবা তোল্ল-তারবা লাঞ্জেন্নরকপশিংদুনা করিসু পীনীংঙাই লৈত্রবসু শেম্বীবা মপুগী মফমদা পুন্সিদা তেক্তা কাইদা পাল্লবা ওইসনু হায়না য়াইফ থৌনিজরমগনি অমসুং চারম থক্লম খঙদ্রবা অহল মতম ওইরক্লবা ইমা মানবীশিংদুগী কংলবা খূৎশাদুনা তেংবাঙবীররিবা কনাগী মকোকথক্তা নান্থবীদুনা নুংঙাইনা পাল্লু ইচাসিদি হায়দুনা পুন্সি চেঙজেল পীবিরমগনি। অদুবু লৈত-লায়র, তোল্ল-তারবশিংবু উরগা থম্মোয় শেংনা মতেং পাংনীংবা মীওইশিংসি অদুমক তাঙই হায়নীংই। হৌজিক অসি কালেনগী নুংশা চপ য়ুংনা হাইগৎলকপা মতমনি। ওলাং ওনশাওনবা কাঙনা মপান ফরকপা মপূং ওইনা পীক্লিবা অঙাংশিংদা ওবা ফায়বা য়াওনা মখল কয়াগী লায়নাশিং নারকপা মতমনি। লায়না অমগী লাইওং উৎলকপদা মতম চানা লায়েংবীবা মথৌ তারিবনি। মদুগী খুদোংচাবদু রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংদা ফংহনবীবা মথৌ তাই। ঐখোয়না লমদমসিদা থেংনদুনতা লাক্লিবনি। ইলেক্সন ময়াদদি কনাগী লোইজিং লোয়া, ইম্ফাল ময়োল ‘ফ্রী মেদিকেল কেম্প’ হায়দুনা খুরক হাংদে পাঙথোক্লিবা। মদুগুম্বা মেদিকেল কেম্পশিং অদু পাঙথোকপীবা অমসুং লায়না তীলনাদগী মীচম মীয়ামশিংগী পুন্সিবু শাফনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে হায়নীংই।

মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎসিদা তাঙ্কক নাইনা চহী কুমজা খরা কান্ন-কান্নরগা তমথীবা চাওখৎলবা মতম মতমদুগী বিজ্ঞানগী চাওখৎপা হৈশিংবা লায়েংনা লাকশিনবা ঙমদবা লায়না-লাইওং হেক থোকই। মদুগী অৱাবা মীওইবা খুন্নাইনা খম থেংনা মায়োক্নে অমসুং তাইবঙপানসিদগী মীওইবা হায়বা কাঙলূপসি মুৎখ্রগদৌবগুম হেক হেক উহল্লি। মতম’মগী উচিনা শন্দোকপা ‘প্লেগ লায়না’, অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মতমদা ইরমদমসিদা ঈশিং পুকচৎপা হায়দুনা শিখ্রিবা মীওইবগী পুন্সিশিং। অমুকসু কুমজা ২০১৯গী লোইশিল্লকপদা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরসনা শন্দোকপা কোভিদ-১৯না মীওইবা খুন্নাইদা মীওইবশিংবু পুমতুম তুমহল্লগে হায়দুনা লান্দারকপনি। পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাওখৎলে, সুপর পাৱরনি হায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ফাওবনা কোভিদ-১৯ লাকশিনবদা ৱানা থোকখি। ঙসি ঙসিমকসু মালেমসিদগী কোভিদ-১৯ পুংমুৎ মুথৎপা ঙমদ্রি। মসিনা পীরকপা অৱা চৈনা মীওইবা খুন্নাইনা খাঙলি। মহয়সিনা পীরকপা লায়না লাইওংশিংগী মথক্তা মীওইবা খুন্নাইনা অমনা অমবু অঙম তান্নবা হোৎনবদা লাঞ্জাও কয়া থোকহন্দুনা মীনা মীবু হাৎলি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা খূৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা খূৎলায় পায়দবা মীচম মীয়াম কয়া শিখি হায়বা নৈনবা, নীংশিংবা চুমগনি।

লোইশিল্লকপদা, মহৌশানা নুংশি চান্নরা হিংমিন্নরকপা লমদমসিদা কাঙলূপকী লান থোকহন্নীংদে। মহৌশানা লৈরকপা কাঙলূপশিংদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ওইরবসু অদুমক থম্মোয়নুংদা নুংশি মরী অদুমক লৈনরি। থংনবা খুলশিংদা এঞ্জাং অহাওবা অমত্তং লৈবদা য়েন্নদুনা চামিন্নবগী হৈনবী লৈ। অসিগুম্বা থম্মোয়নুংগী মরী অসি নৌনা হুরান লোন্নাদা চঙলকপা মীতোপশিংদদি লৈরোই। তংদু লৈতানা লৈনবা লৈবাককী য়াইতোং খমদোংবশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং লান খামসে, লান খামসে। চিন্দনা অমা হায়, থম্মোয়নুংদনা অমা খন, তৌথোরকপনা অমা তৌথোরকপদি তৌগুমসে। লান খামসে লান খামসে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬

১) **“ঈচেলদুগী মতাইদা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **“মসিদা এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঙ্গননা হৌনবী অমসুং রাজভক্তি তম্বীবা হাঙ্গবা অদু ঙম্বমখে কাঙ্গদনবা ঙাকচরি”** মণিপুরগী খূৎমাবা ৱাক্মা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। ৱাক্মা অসি কনানো অমদি ৱাহৌদোক অসিদা য়াওরিবা লাইরিক অসি করিনো?

৩) **“দাদীবুধা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) **“অমেরিকাগী ঈশৈ”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **“নঙগী ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)***

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৫গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫গী পাউখুম

১) **“রাগ মঞ্জরী দর্শন (অহানবা অমদি অনীশুবা শরুক)”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - পুখ্রম্বম গন্ধ সিংহ; অহানবা ফোঙবা, ২০০৬।**

২) **“বিক্রমোর্ব্বশী”** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে? **:- মণিপুরীদা ইথোকপা - থোইবী দেবী; অহানবা ফোঙবা, জুন ১৯৬৩ ইং।**

৩) **“অনৌবা মপোক”** হায়না মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- নহাকপম বীরেন; লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা জুন ২০১৭।**

৪) **“সার্কাস”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা; অইবা - শোনী (থোকচোম মনিহার); অহানবা ফোঙবা জুলাই, ২০১২।**

৫) **“ঐনা ইন্টরনেট হেক্কর ওইরবা/লৌরমগনি লোন্না/চেকশিন্না য়াম্না লোন্না/থল্লিবা লৈঙাকপশিংনা লৈনুংদা/শান্তিগী পাসৱার্দ।”** শৈরেং মতেক অসি নহা ওইরিবা, শকখঙনরিবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? অইবা অসিনা কনানো অমসুং শৈরেং মতেক অসিগী লৌথোরকফম শৈরেংদু করম্বনো ? **:- লাইরিক্কী মমিং - লৌবুক্কী মনম; অইবা - তোংব্রম অমরজিৎ সিংহ; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - শান্তিগী পাসৱার্দ (লা. ৯৯); অহানবা ফোঙবা, ২০১০।**

## থোকখ্রিবা থৌদোকশিং প্রী প্লান তৌরগা...

*লামায় ১গী মখা...*এন বিরেননসু তূমিন্না লৈশিনবীগনু হায়রদুনা লমদমসিগী মপি মপা ওইবনিনা মীয়ামগী খোল্লাউশিং তাবীফম থোকই। ৱাকৎ মীফম খক্তা নত্তনা হেন্না কনবা খোঙজং কয়াসু চঙশিল্লকখিগনি হায়খি। মরমদি হন্দক্কী থৌদোক অসি প্রি প্লান তৌদুনা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইনবা শীল্লকপনিনা নুপী ওইবীশিংগী থম্মোয় শোকহল্লে হায়খি।

চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা মীতৈশিংগী ময়ূম মকৈশিং মৈ থাদোকপীখিবদগী হৌজিক লাঞ্জেন্নদুনা লৈরি হায়রদুনা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা তূমিন্না য়েংদুনা লৈবগা মান্নবা থৌওং অসিদি ফজদে হায়খি। পেরা মিলিটরি কম্পেনিশিং লাকখিবশিং অদু কদাইদা শীজিন্নরিবগে হংলদুনা মখোয়না লাক্লিবদু কুম্মৈ য়েংনবা লাকপ্রা হায়নসু হংখি।

অমরোমদা, উরিপোক ময়ায় লৈকায়দা অপূনবা য়াইফ থৌরাং লূপনসু শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা খোল্লাউশিং লাওখি। প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবী লূপকী এক্টিভ মেম্বর তোকপম শান্তিবলানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং সেন্টর লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎলগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি। সুদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিংনা মীয়াম্বু ওৎ নৈরক্লিবসি অথুবা মতমদা লৈঙাক অনীনা থিংগদবনি হায়খি। লোয়ননা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমসুং অকি তুজুংবা পোকহল্লোইদবনি হায়খি।

নোংমৈবুং ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসননসু ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মল্টিপপরজ হোলদা প্রোটেষ্ট অসিমক চপ মান্ননা চথখি। মসিদা শরুক য়াখিবী এসোসিএসনগী সেক্রেটরি মুতুম সোবিতানা ফোঙদোকখিবদা কুকি ফুরুপ্তগী কারকপা এম এল এ ১০না কুকিলেন্দ তাল্লকপা অসি য়াম্না কন্না য়ানীংদে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর থুগাইনবা শিনবা য়ারোই হায়খি। ইম্ফাল এরিয়া অসি পুলিসনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা লৈবা মফমনি। অদুনা মসিদা খরা শাফৱগসু লোইজিং লোইয়া, চীংয়া তময়াদদি অদুক্কী মতিক অৱাবগী ফীভমদা লৈরি। অৱাং লোমদা লৈরিবা খুলশিং থুংনবা চৎতুনা অঙম্বা মতেংসু পাংজরুরে। মখারোমদনা তোর্বুংগী মায়কৈদা লৈরিবা খুলশিং অমসুং খুগা তুরেলগা থংনবা মফমশিং অসি কুকি খুলশিংগা লোন্নবনি। মফমশিং অদুদদি মীয়াম্না চানীংঙাই থকনীংঙাই লৈহৌদবদা নত্তনা অতৈ অৱাবশিং মায়োক্লহৌরি হায়নসু ফোঙদোরকখি। অমরোমদা, কোকোমিদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না লূপ অসিনা মাঙজৌননা লাওথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি কোংবা ইরোং বাসিখোং, ক্যামগৈ হৈবোং মখোং, হৈবোং মখোঙ য়ুথ ক্লব, কোংপাল কোংখাম লৈকায়, এলাংবম লৈকায় লাইরেম্বী লম্পাক, মালোম কৈথেল, নম্বোল খা জিরি, নুঙ্গৈই ময়ায় লৈকায়, ফয়েং, হৈবোংপোকপী, লমশাং অমসুং হাওবম মরক মৈশাম লৈকায়নচিংবদসু মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখি হায়রি।

## নোংশুম খুল : নুপী অঙাংশিং থৈদোক্তুনা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখিদ্রবা মীওইশিং লৈরোন চনবগী থবকশিং ফিমু শেৎপা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চথুবা ফাওবসু উরে হায়খি। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী মখা তাবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা খুল অসিগী মনাক্তা ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী পোষ্ট অমা থমহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মসি নৎত্রগদি খুল অসিগী খুঞ্জাশিং তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগদবা মান্দ্রে হায়রি। মহাক্লা মখা তানা হায়বদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী নোংশুম খুলগী খুঞ্জাশিং মশা কঞ্জনবগীদমক লাইসেন্স গনশিং পায়দুনা ঙাক শেল্লবসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা খূৎলায়শিং পায়বনা খরা শোনগদবা মাল্লি হায়রদুনা ফীভম অসিনা খুল অসিগী খুঞ্জাশিং নুমিৎ কয়ানি লৈখিগনি হায়বসু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রে হায়রকখি। মরম অসিনা খুল অসিগী নুপাশিং অয়ূক অমসুং নুমিদাংদা পালি নাইনদুনা খুল অসিদা এটেক চথরকপা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুঞ্জাশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবা অসি কোকহন্নবা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌরকখি।

## ষ্টেট লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* পায়খৎহন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পীবা য়াবা প্রেসর পীবিনবা তকশিনখি। অদুগা য়ূম-কৈ মৈ থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওইশিংগী পীফম থোকপা তেংবাঙশিং মতিক চানা অমসুং মতম চানা পীবিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মখোয়বু শাফগদবা মফমদা থম্নবগী থবক লৌখৎপদা কোংগ্রেসনা তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎপীনবসু হায়জখি। অদুগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা পার্টিগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা তেংবাঙশিং পাংবীরক্লবা হায়জখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ফীভম অসি হকথেংননা য়েংশিনবীরনবা এ আই সীগী হায় লেভেল টিম অমা থাবীরক্লবসু হায়জরমখি হায়রি।

ষ্টেট কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং রাহুল গান্ধী অমসুং মালিক অর্জুন খর্গেনা পুক্নিং চঙনা তাখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগীসু তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

ঙসিগী এ আই সী সীগী লুচিংবশিং অসি উন্নখিবদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, সী এল পিগী লিদর ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, কোংগ্রেসকী দেপ্যুটি সী এল পি লিদর কে রঞ্জিৎ, কোংগ্রেসকী ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, পার্টিগী এক্স এম পি ডা. টি মৈন্য, এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমার অমসুং হান্নগী মিনিষ্টরসু ওইরম্বা অদুগা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরমখিবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোসু শরুক য়াখি হায়রি।

## এ আরনা শীন্দুনা সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন...

*লামায় ১গী মখা...*অমদনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনবু অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মতেং পাংবা ওইনা সেকমাই বোট্লিং প্লান্টতগী গ্যাস থন্না য়াওরবা সিলিন্দর ১৮৩৬ খোমজিন্দুনা চূড়াচান্দপুরদা লৈবা ইন্দেন গ্যাস এজেন্সীদা খূৎশিন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা চাকথোং গ্যাস ফংহন্নবগী থবক লৌখৎলে হায়রি।

## পণ্ডিত অচৌবা ৱাহেংবম লুখোই লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর পণ্ডিট লোয়শঙ জি টি বিগী পণ্ডিট অচৌবা ওইরম্বা ৱাহেংবম লুখোই ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা নম্বোল খা থোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে হয়রি।

মণিপুর পণ্ডিট লোয়শঙগী পণ্ডিট য়াইবা এন অপাবী মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পণ্ডিট অচৌবা ৱাহেংবম লুখোই মশাগী চহি ৯৮ শুখ্রে। মহাক উমং লাই হরাওবা অমদি নাৎকী ওইবা হিরমশিং চাওখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা মহাক্কী ৱারী ৱাতাই ২৫ গী মথক্তা শন্দোকখ্রে।

উমং লাই হরাওবা অমদি হৈবোক চিংবোইরোল তৌবা লাইরিকশিং ইদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নরমখি। লৈখিদ্রবা ওজা অসিনা লৌবীরম্বা থৌদাংশিং অসিবু মশক খঙবীদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা ইকাইখুম্নবা উৎপগা লোয়ননা এৱার্দ কয়াসু ফংখ্রবা পণ্ডিটনি।

ওজা অসিনা লৈখিদবা অসি পণ্ডিট লোয়শঙ অমদি লৈবাক্কী ওইনদি চাওনা মাঙজবনি। মহাক লৈখিদবা অসিদা লোয়শঙ অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা অদুম্মক লৈহৌরগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অসিগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখি অমদি লাইরমলেন্দা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি হায়রি।

## শিজ হোস্পিটালনা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):** লমদম অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাংনা মরম ওইরগা মথ্বায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লকখিবা ইথাই খুনৌ গভর্নমেন্ট হায়স্কুল, কুম্বীদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মেদিকেলগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিচার্স ইনষ্টিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নরগা হায়রিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা কেম্প অসিদা ডা. বি সরিতা (কন্সলটেন্ট পেদিয়াত্রিসিয়ান), ডা. ঐচ মিসা (কন্সলটেন্ট সাইক্যাত্রিষ্ট), ডা. এল দিপেন্তি (কন্সলটেন্ট ওবসতেত্রিসিয়ান এন্দ গাইনোকোলোজিষ্ট), ডা. ইরোম অত্রিতা (কন্সলটেন্ট ওবসতেত্রিসিয়ান এন্দ গাইনোকোলোজিষ্ট) অমসুং ডা. জি নরেন্দ্র দেভ শর্ম্মা (দি এন বি-জেনরেল মেদিসিন দিপার্টমেন্ট) অমদি সপোর্টিং ষ্টাফ কয়ানা শরুক য়াখি।

কেম্প অসিদা পুন্না রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরম্বা মীওই ১১২ দা অনা লায়েং চথখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না পীরমখি হায়রি।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।